**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) পুনিত কুমার গোয়লনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইরগনি।

২) লম্বীশিংগী নাক-য়েৎতা আইন কায়না শাজিল্লিবশিং সরকারনা তকথোকপগী থবক চথরি।

৩) সংসদকী নোংজ্ মীফমদা এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা রাজ্য অসিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ৱাফম মরি পুখৎকনি হায়রি।

৪) রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা অনিসুবা তাঙ্কক্কী ওইনা ঙসিদগী য়ুরিয়া হার য়েন্থোকপা হৌখ্রে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা লৌউ শিংউগী পোথোক হেনগৎহন্নবা প্রধান মন্ত্রি ধন ধন্যা কৃষি য়োজনা অয়াবা পীরে।

------

সিএস (এল)ঃ পুনিত কুমার গোয়লবু কেন্দ্রনা ঙসি মণিপুরগী অনৌবা চীফ সেক্রেটরি হাপখ্রে। শ্রী পি.কে. গোয়ল ১৯৯১ গী এ.জি.এম.য়ু.টি কাদরগী আই.এ.এসনি। মহাকা হৌজিক হৌজিক চীফ সেক্রেটরি ওইরি প্রসান্ট কুমার সিংহগী মহুৎ শিল্লগনি।

গৃহ মন্ত্রালয়গী ওর্দর অমনা হায়- শ্রী পি.কে. সিংহবু নেসনেল কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইবসকী সেক্রেটরি হাপ্লে। মহাক চহি অসিগী জনুৱারিদা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি হাপ্লকখিবনি।

অমরোমদা, মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা রাজ্য অসিগী মতাংদা কুপা খঙলবা অমদি মণিপুর কাদরসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি পি.কে. সিংহবু শিন্দোক্তুনা অনৌবা অমা হাপ্লকপা অসি অঙকপা ফাওই । মণিপুরগী ইরাংগী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবদা রাজ্য অসিবু কুপা খঙলবা মীওই অমদা চীফ সেক্রেটরি ওইহনবা হায়বসি তঙাইফদে।হায়না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী এম.এল.এ- টি.ঐচ. লোকেশ্বরনা ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোংদোকখ্রে।

মসিগা লোয়ননা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম.এল.এশিং পুন্না ফম্মিন্নদুনা রাজ্য অসিদা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবা ফিরেপ অমা লৌমিন্ননবা কেন্দ্র সরকারনা থৌরাং পায়খৎনবা মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

ইভিক্সন (এল)ঃ মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লৈবা মরুওইবা লম্বীশিংগী নাক-য়েৎতা আইন কায়না শাজিল্লিবশিং সরকারনা মপুং ফানা তকথোকবা থবক পায়খৎপা লেপত্রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীওইশিং য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা মোইরাংখোমদগী শিংজমৈ পার্কিং ফাওবদা লৈবা লম্বীগী নাক য়েৎতা শাজিল্লিবশিং জে.সি.বি-এসকাভেটর শিজিন্নদুনা শিদোকখি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না অসিগুম্বা খোঙথাং অসি পায়খৎলকপদগী মফম কয়াদা লৈবা ফুট পাথকী মথক্তা শাজিল্লিবশিং মশা মশানা শিদোকচবগী থবকসু লেপ্পা লৈতনা পায়খৎনরি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা নেসনেল হাইৱে লম্বী য়াওনা ষ্টেট, ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট অমদি ইন্তর ভিলেজ রোডগী ফুট পাথশিংগী মথক্তা আইন কায়না

শাজিল্লিবশিং থা অসিগী ২১ ফাওবগী মনুংদা মশা মশানা শিদোকচনবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা আপীল তৌরি।

বিষ্ণুপুরগী মিনি সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা শ্রীমতি পুজা এলাংবমনা হায়- জ্লাই ২১ দগী হৌগদৌরিবা ইভক্সন দ্রাইভ অসি অয়েৎ অপন লৈতনা চথবা য়ানবা মীয়ামা মতেং পাংবীয়ু। মসিদা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং, লৈকাইগী ক্লব অমদি মীয়ামা মরুওইবা থৌদাং লৌবীদুনা চথগদৌরিবা দ্রাইভ অসি ঐখোয় মীয়ামগী য়াইফনবনি হায়বা পাউজেল অসি শন্দোকপীনবসু মহাকা মখা তাখি।

বিমোল (এল)ঃ চৎলিবা থা অসিগী ২১ দগী হৌগদৌরিবা সংসদকী নোংজ্ মীফমদা ইন্নর মণিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইরিবা ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা রাজ্য অসিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা হিরম মরিগী মতাংদা পুখৎনবা শেম শাখ্রে। ঙসি কৈশামথোংদা লৈবা শ্রী বিমোলগী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাকা হায়- চৎলিবা চহি অসিগী দিসেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা লাঞ্জেন্নরিবা মীয়াম মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহনগনি হায়না সরকারনা পীখিবা থাজবা অদু করমা থবক্তা ওন্থোক্লদৌরিবনো হায়বা ৱাফম অসি য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম, লাঞ্জেন্নরিবশিংনা থেংনরিবা পুন্সি মরেলগী অচুম্বা ৱায়েল পীবীনবা, বফর জোন থমদুনা চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাহনদবা অমদি রাজ্য সরকারগী অশোইবশিংগী মতাংদা সংসদতা পুখৎনবা শেম শারে। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি সংসদতা পুখৎপা য়ানবা মরী লৈনবশিংদা মাংজোননা থাজিনদুনা খঙহল্লগনি। করিগুম্বা অয়াবা পীরক্ত্রবদি হিরমশিং অসিগী মতাংদা চপ চাবা পাউখুম ফংনবা সংসদতা তকশিনগনি।

আইদিপি (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী শজিৱা জেল মনাক্তা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈবা দোলাইথাবী খুঙ্গংগী মীওই ১০০ রোম ঙসি মশা মশাগী ময়ুমদা হন্নবা দোলাইথাবীরোমদা চংশিল্লকপদগী সি.আর.পি.এফকী নুপী কম্পনি অমা য়াওনা

ঙাক শেনবগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে। পামদবা থৌদোক থোকপা থিংনবা মখোয়ব্ পুখাউ তেজপুর মনাক্তা থিংখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা য়ান্নবা অমা পুরকবা খুঞ্জাশিংগী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নখি।

হার (এল)ঃ লৌউ পন্থা অসিদা লৌমীশিংদা মতম চানা হার ফংহন্নবা মণিপুর সরকারগী লৌউ শিংউ বিভাগনা অনিসুবা তাঙ্কক্কী ওইনা য়ুরিয়া হার য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসিদগী হৌরে। তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা দিষ্ট্রিব্যুসন পোইন্ট ৪৫ হেন্না হাংদোক্লে। ঙসিগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী খোংহামপাৎ, ইম্ফাল ইষ্টকী ওক্রম চুথেক কম্যুনিতি হোল অমসুং যুবরাজ পল্লি তাখোক মপাল অমদি বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী বোরায়াংবী চাইরেল মাংজিল, ৱাংঙু অৱাং সেলুংখোং অমসুং কুম্বী নাউদাখোংদা য়ুরিয়া হার য়েন্থোকখি।

লৌউ শিংউ বিভাগকী নোতিফিকেসন অমনা হায়- হয়েং অমসুং হংচিৎনা মফম মরি মরিদা, থা অসিগী ২১ অমসুং ২২ দনা মফম তরেৎতা, থা অসিগী ২৪ দনা মফম মঙাদা, থা অসিগী ২৫ মফম মরি, থা অসিগী ২৮ দনা মফম মঙা, ২৯ দা মফম অনি, ৩০ অমসুং ৩১ দনা মফম অহুম অহুমদা য়ুরিয়া হার য়েন্থোক্কনি।

হার লৌবা লাকপদা আধার অমসুং লমগী মপুং ওইবা নত্রগা লৌশাল উবগী চে চাং পুরক্কদবনি। মফম মফমগী তঙাইফদবা মতুংইন্না অখন্নবা কেম্পশিংসু শিনগনি হায়রি।

ঝুম (এল)ঃ ঝুম লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমসুং কোকহনবা য়াবা পাম্বৈশিং হায়বসিদা জিলা থাক্কী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসকী লোংমাই পার্ট-থ্রিদা পাঙথোকখ্রে। ট্রেনিং অদু বরাক রিভর ভেল্লি দিভলপমেন্ট বোর্দ মণিপুরনা দিষ্ট্রিক্ট হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন দিপার্টমেন্টকা পুন্না শিনবনি।

নোনে(এল)ঃ নোনে জিলাদা হৌখিবা অহিংদা কা হেন্না কন্না নোং চুবদগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে। জিলা অসিগী খৌপুম তম্পাক্কী ঈশিং ঈচাউগী ফিভম মফম অদুগী এম.এল.এসু ওইরিবা হিল এরিয়াজ কমিতিগী চেয়ারমেন দিনগাংলুং গাংমৈনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

জিলা অসিগী খৌপুম তম্পাক্তা লৈবা খৌপুম ডামদগী ঈশিং পাথোরক্তুনা অকোইবদা লৈবা লৌ লিংবদা ঙাযরিবা লৌফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। খঙহৌদনা থোরকপা ঈচাও অদুদা য়ুম কয়া অমাং অতা থোকখি অমসুং য়ুমদা য়োকপা শা-ষন কয়া শিখিবনি। ঈচাও অদুনা থোং মচা কয়া চেন্থখিবদগী খুঙ্গং অমগা অমগা ফাওনবা লম্বী খরসু শমদ্রে। লৈমাতাক তুরেল ঈশিং পাথোকপদগী মনাক্তা লৈবা লৌফম হেক্তর ৩০ রোমসু থুমজিনখ্রে। ঈচাউনা পীরিবা অৱাবশিং য়েংশিনবীনবা খুঞ্জাশিংনা মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লি।

অমরোমদা, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী লুৱাংচুম অমসুং রাংফুং খুলগী মরক্তা চীং নীংখায়রিবা অদু শেংদোকপদা হয়েং ফাওবা চংলবা য়াই। হৌজিক মফম অদুগী নাকল অনিমক্তা গাড়ি কয়া পনদুনা লৈরি।

লোক্তাক (এল)ঃ ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর পোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবুনা হায়রি- মণিপুরগী মীংশেল ওইরিবা লোক্তাক পাৎকী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা পাৎ অসি চহি ৫০ ফানা লৈখিগদ্রা হায়বগী নুংনাংবা লৈরে।

ৱাফম অসি য়ুনিভর্সিতি অসিগী ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স দিপার্টমেন্টনা শিনবা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। লোক্তাক পাৎ করমা হিংহনগদগে হায়বা হিরম অসিদা সাইন্তিফিক্কী ওইবা খন্ন-নৈনবা অদু ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী পি.জি. ব্লোক্তা লৈবা সেমিনার হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার দব্লিউ চান্দবাবুনা হায়- লোক্তাক পাৎপু মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবদা

ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং চাউনা লৈ। খ্বাইদগী মরুওইনা আইন শেম্বদা য়াওরিবা মীওইশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা অচৌবা দাইত্ব লৌদুনা পাৎ অসি কন্নবা করম্বা লম্বী লৈবগে হায়বদু থিদোকপা হায়বসি তঙাইফদে।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবামদা দাইট সেন্তর অমা লিংনবা দাবী তকশিন্দুনা ঙসি জিরি কলেজ মমাংদা জিলা অদুগী মহৈরোই লুপ ৬, দেসাম, কে.এস.এ. এম.এস.এফ. সুক, এইমস অমদি অতৈ মহৈরোই লুপ অমগা পুন্না শিন্দুনা স্লোগান লাউবগী খোঙজং অমা চংশিনখ্রে। জিরিবাম অসি জিলা অমা ওইবগী লৈফম থোকপা দাইট সেন্তর অমা হৌজিক ফাওবা থম্বা ঙমদ্রি হায়না কে.এস.এ জিরিবামগী দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট কে. সোমোরজিৎনা হায়খি। মহাকা হায়- মসিগী মতাংদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী খুথাংদা রাজ্যপালদা মেমোরেন্দম পীশিনখিবসু লৈখ্রে। ওজা ওইনিংবা মীওইশিংনা দাইট তমিংবা তারবসু অতোপ্পা জিলাশিংদা চৎপা তারি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা অসি য়েংবীদুনা অথুবা মতমদা লমদম অসিদা দাইট সেন্তর অমা থম্বীনবা মরী লৈনবশিংদা দাবা তৌরি।

মন্ত্রি মন্দল ঃ লৌউ শিংউগী পোখোক হেনগৎহন্নবা প্রধান মন্ত্রি ধন ধন্যা কৃষি যোজনা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীরে। ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- য়োজনা অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী জিলা ১০০ মশক খঙদোক্কনি অমসুং স্কিম অসিনা লৌমী কোতি ১ লাখ ৭০ রোমদা কান্নবা পীগনি।

অমরোমদা, এষ্ট্রোনোট সুবানসু সুক্লাগী সুন্দ্রং খোঙচৎপু থাগৎপা ফোংবগী ৱারেপ অমা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা পাস তৌখ্রে। ইসরো অমসুং সাইন্তিষ্টশিং অমদি ইঞ্জিনিয়ারশিংনা হনবা লৈতনা হোৎনবদগী মায় পাকপা ঙম্বনি হায়নসু মন্ত্রি মন্দলনা থাগৎপা ফোংখি।

মিতিং ঃ সংসদকী নোংজ্ মীফমগী মাংওইননা সরকারনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা রাজনীতি দল পুমমক্কী মীফম অমা কৌখ্রে। মীফম অদুদা সরকারনা সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম নিংথিনা চথবা য়ানবা রাজনীতি দল পুমমক্তা মতেং পাংবীনবা হায়জগনি।

সংসদকী নোংজ্ মীফম থা অসিগী ২১ দগী মথং থাগী ২১ ফাওবা চথগনি। মীফম অদুদা মরুওইবা বিল কয়া পুথোক্তুনা খন্নগনি অমসুং পাস তৌগনি।

ঝারখন্দ ঃ ঝারখন্দদা বোকারো জিলাগী লুগু হিলসকী মনুং চনবা কাসিতান উমংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা নক্সলাইটশিংগা খুৎ থোকবদা নক্সলাইট অনি শিরে। কোব্রা বত্তাল্লিয়নগী সিফাই অমসু লৈখিদ্রে। মহাক উমং অদুদগী রাঞ্চি তান্না নোংথক্তা প্নবা হোৎনরিঙৈদা লৈখিদবনি।

পাউ খরনা হায়- ঙসি অয়ুক পুং ৬ মখায় অদুৱাইদা খুৎ থোকখিবা অদুদা সহদেব মানঝি নত্রগা সাদে হায়রগসু খঙনবা সব-জোনেল নক্সাল কম্মান্দর কুনৱার মানঝিসু শিরে। সি.আর.পি.এফকী কোব্রা য়ুনিতনা চথখিবা ওপরেসন অদুদা এ.কে. ফোরতিসভেন রাইফল অমসু ফংলে। হৌজিক সেক্যুরিতি ফোর্স, কোব্রা বত্তাল্লিয়ন- সি.আর.পি.এফ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা মফম অদু কোইশিন্দুনা পুন্না ওপরেসন চথরি।

ইরান ঃ ইরানদা লৈবা ভারতকী ইম্বেসিনা ভারত মচাশিংদা য়ামা তঙাইফদবা নত্রবদি ইরানদা চত্তনবা খঙহনখ্রে। হৌখিবা চয়োল কয়াদগী লমদম অদুদা সেক্যুরিতিগী নুংনাংনিঙাই ফিভম হেনগৎলকপদগী ত্রাভেল এদভাইজরি অদু ফোংখিবনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ইম্বেসিনা ভারত মচাশিংদা তঙাইফদবা নত্তনা ইরানদা চৎতবা য়াদ্রবদি মাংজোননা ওইরিবা ফিভম অদু য়েংশিন্নবা খঙহনখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

জ্দোঃ চাইনিজ তাইপৈদা চথরিবা তাইপৈ জ্নিয়র এসিয়ান কপ ২০২৫ দা ঙসি ভারতকী মহুৎ শিনদুনা শরুক য়ারিবা মনিপুরদগী শান্নরোই অনি সনাগী তকমান লৌবা ঙমলে। হৌখিবা জ্লাই ১৫ দগী চথরক্লিবা এসিয়ান কপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কিলোগ্রাম ৭০ গী কাংলুপতা তাইবং-ঙানবী চনু অমদি কিলোগ্রাম ৫২ গী কাংলুপ্তা নুংশিথোই চনুনা মখোয়গী লম্বা ওইরিবা য়ুম্বু চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোইশিংবু মায়থিবা পীদুনা সনাগী তকমান লৌবা ঙমখি।

কিলোগ্রম ৯০ গী কাংলুপ্তুনা নিংথৌজম সিতলনা লুপাগী তকমান লৌবা ঙমখি।

ফুটবোলঃ ক্যামগৈ হৈবোং মখোঙ গ্রাউন্দদা চথরিবা টি.ঐচ. অঙাংমচা মীতৈ অমদি টি.ঐচ. তোম্বী দেবী ট্রষ্ট ক্যামগৈনা শিন্দুনা অহানবা নাইন এ-সাইদ ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা মালেম এফ.সি মৈস্ত্রাউনা মুকান এফ.সি সোরাবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

তুরনামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা হয়েং গোল্ডন এফ.সি ক্যামগৈ অমদি কে.এফ.সি ক্যামগৈ অনিনা লম্বা তৌনগনি। অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচনা থা অসিগী ১৮ দা ভিক্তোরিয়া প্লাই এফ.সি. য়াইরিপোক য়াম্বেম অমদি মালেম এফ.সি মৈস্ত্রাউ শান্নরগনি।

------